থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ফেষ্টিবেলগী মাপনশুবা অমদি তরাশুবা প্লেশিং

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়, ইম্ফালদা লৈবা 'জুবিনাইল ঠিয়েটর' - য়ঙ য়ঙ লাউনা তৌরিবা ঠিয়েটর ওর্গনাইজেস অমা নৎত্রবসু মরক-মরক, ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল নৎত্রগা দ্রামা কম্পিটিসনগুম্বা পাঙথোক্লকপা মতমদা অচঙবা লীলা কয়া পুথোক্লকপা, ইম্ফাল ইষ্ট মায়কৈগী মায়কৈ ঙাকপা ঠিয়েটর ওর্গনাইজেসন অমনি। ঠিয়েটর অসিগী দিরেক্টর, লৈবাক মীয়াম্না শখঙলবা মণিপুরী ফিল্ম দিরেক্টর ওকেন অমাকচমনি। খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেলগী মঙানি চনবা নুমিৎকী অহানবা শো, ফেষ্টিবেল অসিগীনা মাপনশুবা দ্রামা ওইনা জুবিনাইল ঠিয়েটরগী 'হে... ঈশৈ' উৎখি।

লীলাসিগী মিং তাবদা, অমদি ব্রোচ্যুর'দা ফোঙলিবা লীলাগী অশম্বা ৱারোল পারুবদা ৱাখলসিনা শাগৎলুই - মণিপুরদা পঙনা উবা ফংদবা লীলা মখল, 'ম্যুজিকেল প্লে' অমা উবা ফংলনি। ৱাখল অদু লাল্লমখি। মণিপুর মীয়াম্না য়েংনরিবা/তৌনরিবা লীলা মচৎ অদুদা, রেকোর্দেদ ফিল্ম-সোং অমদা অঙাংশিংনা জগোয় শাজিনবা চিত্রহার হায়না খঙনবা পার্ফোমেন্স খরা য়ানশিনবনি, ম্যুজিকেল-ঠিয়েটর-পার্ফোমেন্স নত্তে। ফিল্ম পামজবা দিরেক্টরনিনা ফিল্ম-ফোর্মেটতা শাগৎলকই - ঈশৈদা ঙাওজবী খুঙ্গং চনু কোন্বীরৈগী ৱারী। চীংয়াগী খুঙ্গং অমদা বাঁসি খোংবা পামজবা শঞ্জেন্নহা অমগা তোৎন-তিন্না চাউমীন্নরকপী কোন্বীরৈ, নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা খুঙ্গংদুদা পিক্লিক ওইনা থুংলখিবা ইম্ফালগী ম্যুজিক বেন্দ অমগী ম্যুজিক-টিচর অমনা, পীথোরকপা ঈশৈগী গুণ'না লৈতেং ওইবীনি খন্দুনা সহরদা পুদুনা, মনাক্তা থম্লগা ঈশৈ তম্বীরকখি। লোৎপা য়াদ্রবা ঈশৈগী টেলেন্ট ফোঙদোকপগুম ফম্বাক ফংলবদা অফাওবা শৈশকপী ওইরকখি। মশক মতৌদু চঙখোনবী 'কোন্বীরৈ'বু 'ফিল্মগী শৈশকপী ওইহন্নি, ম্যুজিক কেরিয়র শেন্বীনি' মোইথেম তৌদুনা মনাক নক্লগা থৌবা কৌবা পাখঙ অমনা শরৌ লাং থাক্তুনা খুদুম চনখি। মনাক্তা লৈরগা কোন্বীরৈনা মশা ৱাই শংলক্তবা,



গুরুগী ঈজ্জৎ শোক্লকপদা গুরুনসু তান্থোকপীরক, থৌবনসু লৌশিনবীদা, খুঙ্গংদা অমুক হল্লক্তুনা শঞ্জেন্নহা'গা অমত্তা ওইখিবদুনা পোলোই ওইবা লীলানি। অয়েংবশিংদা দ্রামাটিক পার্ফোমেন্স অমা য়েংবগী নুংঙাইবা অদুদগী 'ঈশৈগী তান্থাদা জগোয়গী খুৎথেক, মেচ্যুর ওইরক্লবী নুপীমচাশিংনা 'চিত্রহার' পার্ফোমেন্স পীবদু য়েংবগী নুংঙাইবদুনা হেন্না ফংলম্নি। লীলাদু য়েংনা-য়েংনা পূক্লিংসিদা নুংঙাইবা অমা ফাওরকখিবদি - পার্ফোমর - এক্টর ওইরিবী এল শর্মিলা চনুনা 'প্লে-

রাইটিংলোমদা চঙশিল্লকপা' অদুনি।

মঙানি চনবা নুমিৎকী অনীশুবা লীলা - ময়ায় লম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, থোংখোং লক্ষমী বজার, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী 'হিংমিন্নসি' হায়বা লীলাদুনি। রোসন অমদি ওপেন অনী পুন্না ৱাখল চুংশিনমিন্নদুনা ইবা লীলা অসি - মহৌশাগী খল কায়হন্দনা - উপাল-ৱাপাল য়াম্থৎতনা, অমা য়াল্লবসু মহুৎ অমা থাজিন্দুনা থম্লবা, উচেক-ৱায়া, শা-ঙা অমদি মীওইবা অমগা অমগা নুংশি চান্ননা ঈংনা চিক্না লৈমিন্নবগী পাউজেল পুবা এনভাইরনমেন্টেল প্লে অমনি।



এনভাইরনমেন্টেলিষ্ট অমা নৎচদ্রবসু, অদুগুম্বা ফিদমদা ঙাওজবা, লৌমী ওইনা পূন্সি লেঞ্জবা ওজা তোম্বদা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি। ইংলেন্দদগী মণিপুরদা লম কোয়বা লাকপা মতৈ-মনাও 'ফিল্লিপ অমদি হেলিক' - মণিপুরগী জগোয় ঈশৈ অমদি ঈনাক খুল্লবা কলচরসিদা ঙাওজখি। মহৌশাগী ফজবা য়েংবা চৎপদা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, ৱাইল্ড-লাইফপু তাথী তাওইনা তৌবা শাদানবশিংগী মতৌ উবদা থম্মোয় শোকখি। খুঞ্জাশিংবু ৱাখল তাহনবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে, পাম্বৈদুগীদমক্তা ওজা তোম্বা নত্তনা অতোপ্পা কনা লৈতে খন্দুনা তোম্বগা খুৎশম্নদুনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি। ৱাখল য়াওদ্রবা শাদানবশিং মীকপ থোক্লকপা, বৃটিশ লম কোয়বা মতৈ-মনাওনা ময়ুম লমদম ইংলেন্দদা হনখিবদুনা পোলোইনি।

এক্সপরিয়েন্স য়াওদবা, রিহার্সেল নিংথিনা তৌদনা লীলা পুথোকপগী মমি অমা চাউনা তারিবা অদুদি এক্টরশিংদুনা লোৎশিঞ্জবা ঙমখিদ্রে।

ওক্টোবর ১৮ - য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং, ৱাংখৈ লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা ইন্দিজেনস আর্টস এন্দ কলচরেল ফাউন্দেসনগী 'নোংমা', অমদি কংলৈ লীচিং আর্টস, উচিৱাগী 'ঐখোয় অনী' উৎকনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# অহল ওইশিল্লকপা অমসুং তূম্বা য়াদবগী অৱাবা

মী ওইবনা চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা তূম্বগী মওং-মতৌদা অহোংবা কয়া থোরকই। মরম অদুনা নোংমদা পুং ৭-৮ মপুং ফানা তূম্বা ঙমদবগী ফীভমদা লাকই। মরম অদুনা অহল ওইরবা মীওই অয়াম্বা য়াম্না তোয়না মীৎকপ থোকই অমসুং ঙাইহাক্তং তূম্বা মতমদসু সাউন্দ স্লিপ ফংদে। অহল ওইরবসু নহা ওইরবসু মীপুম খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই। মপুং ফানা তূমদ্রবদি হকচাং অমসুং পূক্লিং ৱাখলগী ফীভম শোকচিল্লকই।

অহল ওইশিল্লকপা হায়বসি কনামত্তনা থিংবা ঙম্লরোইদবা মহৌশাগী ওইবা থৌওংনি। অদুবু ইচম-চম্বা কাঙলোন খরা ঙাক্লা চৎলবদি অহল ওইশিল্লকপগা মরী লৈননা মায়োক্লরকপা তূম্বা য়াদবগী অৱাবা খরমখৈ কোকহনবা ঙম্মী। য়ারিবমখৈ নুমীৎ খুদিংগী নুমীদাং তূম্বা অমসুং অয়ুক য়াহৌবগী মতম নাইগদবনি। ছুটি নুমীৎনি হায়দুনা থেঙনা য়াহৌবা তৌরোইদবনি। হয়েং ছুটিনি হায়বগী ৱাখলদা নোংমা ফাদোক নুমীদাং থেঙনা তূম্বা চঙবগী হৈনবী থম্লোইদবনি। মসিনা হকচাং মনুংগী ওইবা মহৌশাগী ঘড়ি (নেচরেল ক্লোক) তা অকায়বা থোকহনবদগী মপুং ফানা তূম্বা য়াহন্দে।

অয়াম্বা মতমদা ৱাখল চরাংনবা, পূক্লিং-ৱাখল ৱাবা অমসুং থৱায় নুংঙাইতবগী থৌওংনা তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লি। য়ারিবমখৈ হায়রিবা থৌওংশিং অসি ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি।

নুংথিল তূম্বগী হৈনবী থম্লবদি নুমীদাং মপুং ফানা তূম্বা য়াহন্দে। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ নুংথিল তূমদনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা তঙাইফদবা তূম্বা তারবসু ঙল্লিঙৈদা ঙাইহাক মিনিট ১৫-২০ গুম্বদং তূমগদবনি। চাকচা-য়ুথক ফজবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌদুনা পুন্সি মহিং শেমদোক্লবদি নুমীদাং মপুং ফানা তূম্বা য়াহল্লি।

নুমীৎ খুদিংগী উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং অমসুং প্রোটিন মরাং কায়না চাবগা লোয়ননা প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক অমসুং চিনিগী শরুক হন্থনা চাগদবনি। নুংথিল অথেঙবা অমসুং নুমীদাংদা কেফিন য়াওবা মহী থক্লোইদবনি। মরমদি কেফিননা হকচাং মনুংদা পুং ১২ তূংদুনা লৈবা মরম্না নুমীদাং তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লি। নুমীদাংগী চাক চাবা তোল্লগা য়ু থক্লবদি তূম্বা য়াহন্দে।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাই। অদুবু নুমীদাং থেঙনা তূম্লমদাইগা মতম ইকান কান্নদনা হকচাং শাজেল খক তৌরোইদবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎলবসু তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লবা থোক্লবদি ডোক্তর নৎত্রগা স্লিপ স্পেসলিষ্ট অমগী মতেং লৌবা মথৌ তাই। মরমদি হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা অশোয়বা খরনা তূম্বা য়াহন্দবা ওইরম্বসু য়াই।

কনাগুম্বনা তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি ইচম-চম্না লফোই ফুৎলগা মহী অদু থকপা মতমদা মপুং ফাবা তূম্বা য়াহল্লি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। মকু খোক্ত্রিবা লফোই অমা মকক-মকক ককথৎলগা ঈশিং কপ অনীদা উশিংশা মচেৎ অমগা লোয়ননা ফুৎকদবনি অমসুং মহী অদু তুম্লমদাইদা থক্কদবনি। হেন্না ফবা মহয় ফংনবগীদমক অফুৎপা লফোই অদু মকুগা কোন্ননা পুল্লপ চাশিনগদবনি। লফোই মকুদা মেগনেসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না ৱাখল পোত্থাহনবদা চাউনা মতেং পাংই।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমব্রিজ অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্ঘগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, মদুদি দার্ক চোকোলেট চাবনা নুমীদাং মপুং ফানা তূম্বা য়াহল্লি। দার্ক চোকোলেট, নট অমসুং অশংবা মনা-মশিংদা য়াওবা মেগনেসিয়মনা হকচাংগী সর্কাদিয়ন রিদম রেগ্যুলেট তৌবদা মতেং পাংই। মীওইবনা তূম্বা, চকলাল্লকপা, য়াহৌবা অমসুং খোঙ হাম্লিংলকপনচিংবা পুম্ন মক সর্কাদিয়ন রিদমনা থোকহল্লকপনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্ঘকী রিছার্চরশিংনা হায়খি, থৱায় পানবা খুদিংমক্তা সর্কাদিয়ন রিদম্না মরুওইবা থৌদাং লৌই। হকচাং ফহনবা নৎত্রগনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া ওইহল্লকপদসু সর্কাদিয়ন রিদমনা অচৌবা থৌদাং লৌই। হকচাংগী সেলশিংদা মেগনেসিয়মগী চাং কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বদুগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা হকচাংগী মথৌদা অহোংবা থোকহল্লকই। সেলশিংদা মেগনেসিয়ম মরাং কায়না য়াওরবদি মেটাবোলিজমদা মতেং পাংশিনবা মরম্না ন্যুট্রিয়ন্টশিংবু ইনর্জিদা ওন্থোকপা ঙম্মী। সেলশিংনা মথৌ তারকপা মতমদসু ইনর্জি বর্ন তৌবগী থৌওংশিং মেগনেসিয়মনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী।

অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিনা সর্কাদিয়ন রিদমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা অনৌবা লায়েং মখল অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমব্রিজগী জোন ও'সেলনা ফোঙদোকখি। অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'নেচর' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

মীওইবনা তূম্বা য়ারক্তবা মতমদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া পোক্লকপা মরম্না মথক্তা পনখ্রিবা থৌরাংশিং লৌখৎলগা তূম্বা অমসুং য়াহৌবগী মতম নাইহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।





# খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী জিল্লা পরিষদ ১, প্রধান ৪ অমসুং মেম্বর ৪০ বি জে পিদা য়াওখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস): হৌখিবা ওক্টোবর ৭ তা পাঙথোকখিবা ৫শুবা জেনরেল পঞ্চায়ট মীখলদা ৩৫-খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদগী মায় পাক্লকখ্রবা বি জে পিনা শৌগৎপা অমদি বি জে পিদা চঙলক্লবা জিল্লা পরিষদ মেম্বর, প্রধান অমসুং ৱার্দ মেম্বরশিংবু ঙসি বি জে পি খাঙপোক মন্দলনা ওকখ্রে।

বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শিন দুনা এম এস, টি ঐচ সোরোজিনি ফিল্লিং ষ্টেসন, খাঙবোক্তগী পাঙথোকখিবা মায় পাক্লকখ্রবা মীরেপশিংবু ওকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস-প্রসিদেন্ট টিঐচ যাদুমনি, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল তোম্বা খুমন, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ভাইস-প্রসিদেন্ট এম রামেশ্বর সিংহ, এল চোঞ্জোন সিংহ অমদি প্রাটিনিধি এম গৌরমোহোন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস-প্রসিদেন্ট টি ঐচ যাদুমনিনা হায়খিবদা, ঙসি ওক্লিবা জিল্লা পরিষদ, প্রধান অমসুং মেম্বরশিং অসি মমাঙদা পায়রম্বা




লৈঙাক অদুনা তৌরম্বা থবক থৌরমশিংগা হৌজিক থা ৭/৮ তা ঙাইরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী থবক থৌরমগা য়েংনরুবদা অহোংবা য়াম্না লাকপদগী মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্নবগীদমক বি জে পিদা য়াওরকপনি অমদি মখোয়বু ওকপনি হায়খি।

খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যু-এন্সিদা গ্রাম পঞ্চায়ট ৬ লৈবগী মনুংদা জিল্লা পরিষদ ৪ গী প্রধান ৪ অমদি মেম্বর ৪০ রোম্না ঙসি বি জে পিদা য়াওরকপা অসি লমদম অসিগী এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিবু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম্না থাজবীরকপনি। মসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি। মসিনা তাকপদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদসু অওনবা চাউখৎপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা পুরকপা পাম্মী হায়বদু তাক্লে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙ-দোকখিবদা, পঞ্চায়ট মীখল অসিদা মায় পাক্ললবা জিল্লা পরিষদ, প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংনা মতম চূপ্পদা মখোয় অসি মীয়ামনা খনবা মীয়ামগী থৌদারোইনি হায়বা অসিনি কাউরোইদবনি। মীয়ামগী থবক তৌবদা মতম লৈবা খিবিক্তা লায়র-ইনাকখুনবা, অশোন-অনা থিদনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংলগা থবক তৌবীয়ু। লোয়ননা কৈদৌনুংদা কাঙলুপ-ফুরুপ য়েংলোইদবনি।

খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় অমত্তনি। মীয়াম্না ভোট পীরগা মীহুৎ ওইরকপা হায়বসি কাউরোইসি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি চাউখৎপা ঈং-তপ্না লৈবা মীয়াম্না শিংথাদনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ওইহনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ওকপগী থৌরম অদুদা য়াওখিবা জিল্লা পরিষদ মেম্বর অদুদি খাঙবোক জিল্লা পরিষদকী কে ঐচ রাজমোহোন সিংহ অমদি প্রধানশিং অদুনা খাঙবোক পার্ট-১ জি পিগী প্রধান এন মালা, খাঙবোক পার্ট-২গী প্রধান এস ওপেন্দ্রা, খাঙবোক পার্ট-৩ গী প্রধান এম লৈশানু অমসুং শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-১ গী প্রধান এম দি জাকিরনি। লোয়ননা পুন্না ৱার্দ মেম্বর ৪০ সু ঙসিগী থৌরম অদুদা ওকখি।

ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১, ২ অমসুং ৩ দগী পুন্না মেম্বর ৫ সু ঙসিগী থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা তরাম্না ওক্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

# টি এম কে ইংলিশ স্কুলগী মপোক কুমওনগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): থৌবাল লৈশাংথেমদা লৈবা টি এম কে ইংলিশ স্কুলগী মঙা-রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা স্কুল অসিগী অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

স্কুল অদুগী কেম্পসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর জেনরেল ও নবকিশোরনা চীফ গেষ্ট, খাঙবোক এ সীগী এম এল এ, সুর্যকুমারনা প্রসিদেন্ট, লৈশাংথেম জি পিগী প্রধান কৃষ্ণচন্দ্র, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ঈ ঈ, ৱাই কুলচন্দ্র, লৈশাংথেমদগী সোসল ৱার্কর ইরোম চাওবা অমদি থৌদাম ওপেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুন ও নবকিশোরনা হায়, মহৈরোয় শেমগৎপদা মমমপাগী থৌদাং য়াম্না চাউই। অঙাংশিং অচঙবা মী ওইহন্দবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা ফীরেপ মমা-মপাশিংনা থমগদবনি। অঙাংশিংবু মতম চানা য়েংশিনবীগদবনি। মখোয়দা প্রেসর পীরোইদবনি।

লায়রববসু ইচা মী ওইহন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন মমা-মপা ওইবশিংনা চেনবীয়ু। ওজাশিংনসু মহৈরোয় শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদগী হেন্না লাইরিক পাবা, থিজিনবা অমদি খঙনবা হোৎনবীয়ু। মহৈরোয়শিংন অহেনবা ৱাখল-লৌশিং তাকপীবা চঙই। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু হৈহনবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্কনি। মহৈরোয় অমা ওইনা মশাগী অকক্লবা পান্দম অমা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। মহৈরোয় ওইরবদি হোৎনবা কনবা চঙই। মতম মাঙহন্দবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শিজিন্নদবা, থকসি-খাসি নাইবা গুণ চেনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এম এল এ সুর্যকুমারনা হায়খি, গভর্ণমেন্টখক্তনা স্কুল অমদি অনা-লায়েংশঙশিং চলাইবা ৱাগনি। মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না লন্নাইগী ওইবা মহৈলোয়শঙ অমদি অনা-লায়েংশঙগী তঙাইফদবা লৈরকই।

টি এস কে ইংলিশ স্কুলদা লন্নাই স্কুল অমা ওইনা মহৈরোয় কয়া চহী খূদিংগী পুথোক্লিবসি পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওই। থৌবাল অমদি খাঙবোক এ সীদা কেরিয়র কাউন্সেল্লিং সেন্টরশিং হাংদোক্তুনা ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্ব পাস তৌরবশিংগী মখা তাবা মহৈ তমথনবা লম্বীশিং তাকপগী থবক হৌরগনি। মসিগীদমক কাউন্সেল্লর ওইগদবশিং খন্নবা নোটিশ থোকখ্রে। মীয়াম্না কাউন্সেল্লিং সেন্টরগী খুদোংচাবশিং লেম্না লৌবীয়ু হায়খি।

# লফুগী ফাইবরগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং কম এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচ এন এস): বানানা ফাইবরগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং কম এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি কম্ম্যুনিটি হোল, ধর্মালায়া সোসল ৱেলফ্যের ক্লব, বামোন লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি য়াইস্কুল মন্দল অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্টনা খুৎশম্নদুনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং কম এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, টি ঐচ সৈত্যবর্ত, বি জে পি য়াইস্কুল মন্দলগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিশ্বমিত্র, ৱেবর সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশকি কনভিনর এল সোরোজিনি, প্রোজেক্ট মেনেজর দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট টি ঐচ সুনিলা, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী কোর্পোরেটর এল ইনুংঙানবীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নেসনল এৱার্দি ভিক্টোরিয়ানা দিমোন্সট্রেসন সেসন অমা পাঙথোক্তুনা লফুগী ফাইবরগী মতাংদা উৎখি। য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৱার্দ মরিদগী বেনিফিসরি ২০ লোমদা বেনিফিট ফংহনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ টি ঐচ সৈত্যবর্তনা হায়খি, বানানা ফাইবর টেক্নোলোজিগী থৌরাং অসি য়াম্না অফবা অমনি। দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলস ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা অসিগুম্বা ট্রেনিং কম এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি পূক্লিং থৌগৎপা তাই। য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লফুগী ফাইবর প্রোমোসনগী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) য়াইস্কুল মন্দলগী মেম্বর ৩৫০ রোমসু শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# অহানবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) না শিন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা অহানবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ১৯৪৮ গী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী পি আই মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. এম নরনা হায়খি, ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংনা রি-ওর্গনাইজ তৌদ্রিঙৈ মাঙজৌননা মণিপুরগী কন্সটিট্যুসন শেমদুনা কুমজা ১৯৪৮ গী ওক্টোবর ১৮ দা ইহান হানবা এসেমব্লি মীফম পাঙথোকখি।

মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট প্রোভিজন ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট শেম্লগা পাঙথোকখিবনি। ওক্টোবর ১৮ অসি য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎনি। ইহান হান্না দিমোক্রেসিগী চৎন-লোনচৎ অদু মীয়ামদা শিন-থুংনা খঙহন্নবা হোৎনবদা লুচিংদুনা থৌদাং



লৌরম্বসি নেতা ইরাবতনি। কুমজা ১৯৪৮ গী ওক্টোবর ১৮ দা ফমখিবা এসেমব্লি মীফমদা নেতা ইরাবততি য়াওবা ঙমখিদে। মহাকসু কৃসক সভাদগী উৎলৌ এ সীদা ভোট কারক্তুনা এম এল এ ওইরবা মীহুৎনি। এসেমব্লি য়াওদ্রবসু মীহুৎ অমা ওইবা মরম্না মহাক্কী অইবা চেরোল অমা এসেমব্লিদা থারক্তুনা ৱারোলশিং পাথোকখি।

ইরাবতনা এসেমব্লি মীফম য়াওদবগী মরমদি মণিপুর, মিজোরাম, আসাম, কছাড়, ত্রিপুরানচিংবা য়াওনা পুর্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্নবা হোৎনবগী মায়োক্তা লাল হৌবগীনি। মতমদুদা এসেমব্লি ফমগদবা থা অদুগী মাঙওইননা সেপ্টেম্বর ২১ দা পুংদোংবমদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মীশি-মীনা য়াওখি। মসিদা মহাকপু লৈঙাক্ন ারেন্ট ইস্যু লাউথোকখি। মদুদগী মহাক অন্দর গ্রাউন্দ তাখি। এম এল এ ওইনা অন্দর গ্রাউন্দ তাবদগী অহানবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি অদু য়াওবা য়াদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবীর লাইশ্রমনা হায়খি, কুমজা ১৯৪৮ গী ওক্টোবর ১৮ দা মণিপুরগী অহানবা এসেমব্লি মীফম পাঙথোকপা নুমিৎ অসি য়াম্না মরু ওই। ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎশিংনা এসেমব্লিদা থাজবা থম্লিবনি। এসেমব্লিদা পোলিসীশিং শেম্লগা ওফিসরশিংনা ফজনা মীয়ামদা য়ৌনবা শেমগদবনি। কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস): মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) ওফিস কমপ্লেক্সকী অকোয়বদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থম্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থম্লিবা মফম অসিদা মী চঙথোক-চঙশিন্দা অথিংবা থম্লে। মসি মণিপুর পিপলস পার্টিগী মনুংদা হৌজিক ওইরিবা দিস্পুট অসিনা মরম ওইরগা ঈরাং থোক্লকপা য়াবগী ফীভম লৈবদগী লৌখৎপনি। সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থম্লিবা এম পি পি ওফিস, ইম্ফালদা চঙথোক-চঙশিন্দা অথিংবা লৈরে হায়নসু দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা থা অসিগী ১৬ তা থোকখিবা ওর্দর অদুনা মখা তানা হায়রি।